‘কনাগুম্বা অমত্তদা বেঙ্গলগী মীয়াম্না নোঞ্জবা তৌরোই’

কোলকটা, মার্চ ১৪ (এজেন্সী) :

বেঙ্গলদা লৈরিবা মীয়ামগী দিমোক্রেটিক রাইটস কন্নবগীদমক থেংনবা য়াবা হীরম খুদিংমক থেংনগনি। অমদি কনাগুম্বা অমত্তদা বেঙ্গলগী মীয়াম্না হায়জ নোঞ্জবা তৌরোই হায়না বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবী তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নন্দিগ্রামদা মীরেপ ওইবগীদমক মরী লৈনবা লোয়শঙদা চত্তুনা মহাক্কী মীরেপ চেপীশিল্লুরবা মতুং হল্লকপগী লম্বীদা শক খঙদবা মীওই ৪/৫ না মঙোন্দা এটেক চথুরকখিবনি। এটেক অদুদা মহাক্কী কোক, থবাক, খ্বাং অমদি ওয়থংবা খোঙদা অশোক অপন নংখি।

হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুরবা মতুং মশাগী চহী ৬৬ রোম শুরবী লুচিংবী অসিনা কোলকটাদা হ্বিল চ্যের অমদা ফম্লগা রেল্লি চৎখি। রেল্লি অদুদা লুচিংবী অসিনা ফোঙদোকখিবদা বেঙ্গলদা লৈরিবা মীয়ামগী হক মৎনবগীদমক তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা হোৎনরি। অদুবু মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবকশিং বেঙ্গলদা থোকহন্দনবা হোৎনগনি।

ঐঙোন্দা চথুরকখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা হকচাংগী শরুক খরদা অশোক অপন নংলবসু ৱাখল অমদি থম্মোয়দি মীয়ামগীদমক লৈরি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা কনাগুম্বা অমত্তদা নোঞ্জবা তৌরোই।

হকচাংগী ফীভম ফত্তবসু হ্বিল চ্যেরদা ফমদুনা মহাক্না মীয়াম মরক্তা থোরল্লিবা অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি মহাক্কী সপোর্টরশিংনা এটেক অদুগী মতুং পামদবা থৌদোকশিং চথুরক্কদ্রা হায়না চিংনবদগীনি। বেঙ্গলদা ঈং তপ্পা নুংঙাই য়াইফনা পানবা ঙম্নবগীদমক মহাক্না হোৎনগনি।

অমরোমদা পন্দিগ্রামদা চথুরকখিবা এটেক অদুগী মতাংদা তৃনামুল কোংগ্রেসনা ইলেক্সন কম্মিসনদা পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বেঙ্গলগী পুলিস চীফ লৌথোকখ্রবা মতুং পুং ২৪ গী মনুংদা তৃনামুলগী লুচিংবী অদুদা এটেক চথুরকখিবনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা খন্নরম্বা তৌদনা ইলেক্সন কম্মিসন্না বেঙ্গলগী পুলিস চীফ লৌথোকখিবা অদু চিংনিনিংঙাই ওই। অমরোমদা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা থিজিন্দুনা চেন্নরিবশিং চৈরাক পীনবা তকশিনখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদু শোয়বদগী থোকখিবনি। অতম্ননা মমতা বেনর্জিদা কনাগুম্বা অমত্তনা এটেক চথখিবা লৈতে।

মমতা বেনর্জি জেদ প্লস সেক্যুরিটি ফংলিবা মীওই অমনি। মহাক্কী বুলেট প্রুব কারসু লৈরিবনি। অদুবু নুমিৎ অদুদা মহাক্না বুলেট প্রুব কার তোংখিদে অমদি মহাক্কী সেক্যুরিটি ইন চার্জনসু মমতাবু শেন্নবগী মহুত্তা বুলেট প্রুব কারদা ফমদুনা লৈখি। মরম অদুনা মহাক্কী সেক্যুরিটি ইন চার্জ ভিবেক সাহেগী মথক্তা এক্সন লৌখৎফম থোকই।

পনবা য়াবদি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুং মমতা বেনর্জিনা মঙোন্দা শকখঙদবা মীওই ৪/৫ না এটেক চথুরকখি। অমদি মতম অদুদা মহাক্কী মনাক্তা পুলিস পর্সনেল অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি কোলকাটাদা হ্বিল চ্যের তোংদুনা মীয়াম মরক্তা থোরকখ্রবা মতুং থৌদোক থোকপা নুমিত্তা হায়খিবা ৱাফম অদুদগী নাথৈরগা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মহাক্কী হকচাংগী শরুক খরা শোকখি।

নোমিনেসন ফাইল তৌবা লোইরগা মীয়ামদা থাগৎ ৱাহে ফোঙদোক্লিঙৈদা মী কা হেন্না তিনখিবদগী অহেনবা প্রেসর লাক্তুনা কারনা মহাক্কী মকোক শোকহনখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী অসিগী ৱাফম তারবা মতুং বি জে পিনা লুচিংবী অসিনা বি জে পিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনখিবা অদু মায় পাকহনখিদে হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

অনৌবা লোকদাউন অমুক হন্না পামদ্রবদি গভর্ণমেন্টকী মতেং পাংগদবনি

বেঙ্গালুরু, মার্চ ১৪ (এজেন্সী) :

করনাটাকাদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস কয়া নৌনা থেংনরকখ্রবা মতুং মখা তানা শনে দারকপা থিংনবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মীয়াম্না অমুক হন্না লোকদাউন পামদ্রবদি গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংগদবনি হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা লোকদাউনগী মরী লৈননা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না মতেং পাংশিল্লবদি ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শনে দারকপা লায়না থিংবা ঙমগনি। ষ্টেট অদুগা য়ুমথংনরিবা মহারাষ্ট্রদসু কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস মশীং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি।

মহারাষ্ট্রগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদদি লোকদাউন থম্বা হৌখিবগা লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু লাউথোকপসু হৌখ্রবনি। অদুবু করনাটাকাদা লৈরিবা মীয়ামগী খল্লগা মহাক্না লোকদাউন থমজিন্দুনা মীয়ামদা অৱাবা পীবা পামদে। লোকদাউন থম্বগী মহুত্তা মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্ট পুন্না চৎমিন্নরবদি লায়না লায়চৎ অসিনা করনাটাকাগী মীয়ামদা অকায়বা পীরকপা ঙস্লোই।

কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎপু পেন্দমিক ওইনা লাউথোকখ্রবা মতুং মমাং চহীগী মার্চ থাদগী লৈবাক পুম্বদা লোকদাউন লাউথোকখি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবা অদু করনাটাকাগী মীয়াম্নসু কাওরোইদবনি।

করনাটাকাদা হৌখিবা জন্যুৱারী ২২ দা কোভিদ-১৯ গী কেস ৯০০ হেনখি। অপূনবা কেস মশীং ৯২১ গী মনুংদা ৬৩০ দি বেঙ্গালুরুগী অরবান দিষ্ট্রিক্টতগীনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট অদুদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪,৩০০ থেংনখি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎনা মীওই ৯,৫৯,৩৩৮ ইনফেক্ট তৌহনখিবগা লোয়ননা মীওই ১২,৩৮৭ শিহনখ্রে। অদুগা মীওই ৯,৩৮,৮৯০ না মপুং ফানা রিকোভর তৌখ্রে। মমাং থাদা ষ্টেট অদুদা কোভিদকী এক্টিভ কেস মশীং লীশিং ৫ য়ৌখিদে। অদুবু হন্দক্কী থা অসিদা কোভিদকী এক্টিভ কেস মশীং ৮,০৪২ য়ৌখিবনি।

মসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিংদা মী পুনবগী চাং হন্থহন্নবা মহাক্না মীয়ামদা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা মীয়াম্নসু গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎনবা আপীল তৌখি।

লাইশঙদা ঈশিং থকপা চঙলুবা মুস্লিম নুপামচা ১ ফুখ্রে, চেন্নবা ফারে

উত্তর প্রদেশ, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

উত্তর প্রদেশকী মনুং চনবা ঘজি য়াবাদতা লৈবা লাইশঙ অমদা ঈশিং থকপা চঙলুবা নুপামচা অমা মীওই অমনা তমথিনা ফুখিবগী ভিদিও ভাইরেল ওইখ্রবা মতুং থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু পুলিসনা ফারে হায়রি।

ভাইরেল চৎখ্রবা ভিদিও অদুদা এক্যুজ ওইরিবা শ্রীংঙি নন্দন য়াদবনা ভিক্টিম নুপামচা অদুবু লেংজুম পায়দুনা লাইশঙদগী চিংথোরক্লবা মতুং করি মরমগীদমক লাইশঙদা নহাক চঙলক্লিবনো হায়না হংখি, নুপামচা অদুনা ঈশিং থকপা চঙলকপনি হায়না খুল্লবা মতুং য়াদবনা নুপামচা অদুগী মমা মপাগী মমিং হংলবা মতুং নুপামচা অদু মুস্লিমনি হায়বা খঙখি। মদুদগী নুপামচা অদুবু মহাক্না ফুবা হৌরকখিবনি।

মুস্লিম নুপামচা অদু ফুবগী ভিদিও পুলিসনা থেংনরবা মতুং থিগৎপা হৌখি। মদুদা এক্যুজ ওইরিবা নন্দন য়াদব ফাবা ঙমখিবনি। মহাক বিহারগী বগলপুরদগীনি। য়াদব ইঞ্জিনিয়ারিং গ্রেজুয়েট অমনি। লাইশঙ অদুদা মহাক থা অহুমলোমগী মমাংদগী লৈরকখিবনি হায়রি।

মহাক্কী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌখ্রে অমদি লোগী মতুং ইন্না মহাক্কী মথক্তা লৌবা য়াবা এক্সনশিং অথুবা মতমদা লৌনবা হোৎনরগনি হায়রি।

‘সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা দি এম কেনা লেপকনি’

চেন্নাই, মার্চ ১৪ (এজেন্সী) :

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী চয়েৎননিংঙাই ওইবা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা দি এম কেনা মতম লৈবা খিবিক্তা লেপকনি হায়না পার্টি অসিগী চীফ এম কে ষ্টেলিননা ঙসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা শ্রীলঙ্কান টামিলশিংবু লৈবাক অসিগী সিটিজন ওন্থোকপনা হেন্না অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়রি।

সেন্তরনা সী এ এগী ৱাফম হৌদোকখ্রবা মতুং দি এম কেনা মদুগী মায়োক্তা মতম চুপ্পদা লেপ্পুনা লাক্লি অমদি মখা তানসু লেপখিগনি। লো অসিগী মায়োক্তা তামিল নাদুদা মীওই ক্রোর হেনবনা মশাগী খুৎয়েক পীদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা পাস তৌখিবা সিটিজিনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ৱিদ্রো তৌনবা সেন্তরনা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা সেন্তরনা মখোয়গী ফিরেপ হোংদোকউ হায়বা য়াদ্রবদি শ্রীলঙ্কাদা লৈরিবা টামিলশিংবু ইন্দিয়াগী সিটিজনসিপ পীবদা অয়াবা পীনবগীদমক তকশিনগনি।

হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট লৈবাক অসিগী মীওই অয়াম্বনা পামদে। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটতা লৈরিবা মীয়াম্না এক্ট অসিগী মায়োক্তা ঈহৌ কয়া হৌখ্রে। মীয়াম্না হৌরকপা ঈহৌশিংবু নমথনবা হোৎনবদা পুলিসনা অহেনবা থবক থৌওংশিং চথবদগী অশোক অপন কয়াসু থোকখি। অদুবু লৈঙাক্না মশাগী অপাম্বা ফংনবা হোৎনদুনা লৈরি।

সী এ এগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক ওইরিঙৈ মরকসিদা অমুক হেন্না ৱাথোক ওইরিবা ফার্ম লো অহুম মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখি। ফার্ম লো অহুম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৌমী লীশিং কয়ানা থা অহুম হেন্না খোঙজং চঙশিল্লবা ফাওবদা সেন্তরগী মায়কৈদগী চপ চাবা পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈত্রি। মসিনা তাকপদি বি জে পি লৈঙাক অসি লৈবাক মীয়ামগী খন্দবা পার্টিনি হায়বদু ময়েক শেংলে হায়রি।

লালহৌবা ৯ ৱান্টেদ লাউথোকখ্রে

শ্রীনগর, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

জম্মু অমসুং কাশ্মীর পুলিসনা লালহৌবা ৯ ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা মতুং মখোয়গী মরী মখোঙ তাকপা ঙম্বা মীওইশিংদা এৱার্দ পীগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ত্বিটরগী খূথাংদা কাশ্মীর জোন পুলিসনা লালহৌবা ৯ অদুগী মমিংগা লোয়ননা ফোটোশিং থাগৎলকখিবনি। লালহৌবা ৯ অদুদি ৱাসিম কাদির, অদিল মুস্তাক, ইরফান সোফি, সকিপ মঞ্জুর, বিলাল অহমদ বট, উবেদ শাফি, মহমদ অবাস সেখ, মহমদ য়ুসুব দর অমসুং অব্রার নদিমনি। মখোয় ৯ হৌজিক হৌজিক শ্রীনগর সিটিগী মনুংদা লৈরম্বা য়াই হায়না জে এন্দ কে পুলিসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মরী মখোঙশিং তাকপা মীওইশিংগী আইদেন্টিটি অরোৎপা ওইনা থমগনি হায়রি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহে-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ুম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্তিষ্টোন, যন্ত্র, ঈৱাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-B/6802/21/2-22/3

য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোংগ্রেস ভাবন মমাংদা মরু কোকখ্রে

থিরুভন্থাপুরম, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

কেরলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনগা মরী লৈননা কেরলা ৱিমেন্স ৱিংগী প্রসিদেন্ট লথিকা সুভাসপু ইতুমনুর সিটকী টিকেট পীরকখিদবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফমদগী পোত্থাখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেস ভাবন মমাংদা মরু কোক্তুনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

এপ্রিল ৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগী কেন্দিদেট লিষ্ট ন্যু দেল্লীদা লাউথোকখিবা অদুদা নুপী লুচিংবী অসিগী মমিং য়াওরকখিদবনি। কেরলা প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী চীফ মুলাপলি রামচন্দ্রননা ন্যু দেল্লীদা ঙসি কেরলাদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইগদবগী লিষ্ট অদু লাউথোকখিবনি। অপূনবা কেন্দিদেট ৮৬ লাউথোকখিবগী মনুংদা নুপী কেন্দিদেট ৯ খক্তমক য়াওরি।

ৱিমেন্স ৱিংগী প্রসিদেন্ট ওইনা ওইনা মঙোন্দা পার্টিগী টিকেট পীরকখিদবা অদু মহাক্কী ওইনদি য়াম্না ঈকায়নিংঙাইহনি অমদি পার্টিগী ফিরেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহাক মরু কোকখিবনি হায়রি। কে পি সী সীগী কেন্দিদেট সেলেক্সন প্রোসেস অদুনা মহাকপু ঈকায়বা পীরে। নুপীশিংগী সিট চাদা ২০ পীনবা মহাক্না তক্লদুনা লাকখি। অদুবু পার্টিগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট অমমমদগী নুপী কেন্দিদেট অমমগী টিকেট শোয়দনা পীরক্কনি হায়না থাজরুবা অদু অরেম্বদা তাহল্লে।

অসিগুম্বা থৌওং অসি পামদবনা মরম ওইরগা মহাক পার্টি অসিগী মশক নাইবা ফম অমত্তা পায়নিংবগী ৱাখল্লোন লৈত্রে। মরম অদুনা মহাক মশাগী ফমদগী পোত্থানবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না লথিকা সুভাসনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সেন্তরদগী অহেনবা কোভিদ ভেক্সিন পীরক্লবা তকশিনখ্রে

ভোপাল, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহাননা ঙসি য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্স ভর্দনগা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে অমদি ষ্টেট অদুদা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ মপুং ফানা মায়োক য়াবা ঙম্নবগীদমক কোভিদ-১৯ গী অহেনবা ভেক্সিন পীরক্লবা তকশিনখ্রে।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরগা উন্নরবা মতুং চীফ মিনিষ্টর অসিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মধ্য প্রদেশতা হৌজিক হৌজিক দরকার ওইরিবসি কোভিদ ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ৮১ নি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অসিদা দোজ ১৮,৮৪,০০০ ফংখ্রে। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরনসু লেমহৌরিবা দোজশিং অদু অথুবা মতমদা ফংহন্নবা থাজবা পীরক্লে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অদুদা নৌনা শেমগৎ শাগৎলিবা মেদিকেল কোলেজশিং অমসুং হোস্পিটালশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা মতেং পাংনবসু তকশিনখি। অমরোমদা ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস থেংনরকখিবা অদু ষ্টেট অদুগী ওইনদি খুদোংথিনিঙাইনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা আপীল তৌখি।

পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৫,৩২০ থেংনখ্রে, লায়চৎ অসিনা মীওই ১৬১ শিহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২৫,৩২০ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১৬১ শিহনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নৌনা থেংনখিবা কোভিদকী অনৌবা কেস ২৫,৩২০ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না নাহনখিবা মী মশীং ১,১৩,৫৯,০৪৮ শুখ্রে। অদুগা শিবগী মশীংনা ১,৫৮,৬০৭ শুখ্রে। হায়রিবা অসি ঙসি অয়ুক পুং ৮ ফাওবদা ফংবা রিপোর্টনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা থেংনখিবা কেস মশীং অসি ২৪,৮৮২ নি। থাংজ নুমিৎকা য়েংনরুবদা ঙসিনা চাদা ১.৭ গী চাংদা অনৌবা কেস মশীং হেনগৎলক্লি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী এক্টিভ কেস ২,১০,৫৪৪ য়ৌখ্রে। লৈবাক অসিদ কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৬.৭ ওইরি। কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ লৈবাক অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা চাং ৱাংখৎলকখিবনি।

লৈবাক অসিগী মরু ওইনা মহারাষ্ট্র, কেরলা, পঞ্জাব, করনাটাকা অমসুং গুজরাটতা হৌখিবা পুং২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস মশীং য়াম্না থেংনখি। হায়রিবা অসিগী মনুংদা মহারাষ্ট্রনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা ষ্টেট ওইরি।

মহারাষ্ট্রদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা তঙাইফদনা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট খরদা লোকদাউন থমখিবগা লোয়ননা নাইট কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রবনি।

মীয়াম্নসু গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্না চৎনবা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদা আপীল তৌরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক লৈবাক পুম্বদা চথরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরমদা ষ্টেট অদুগী মীয়াম থোরক্তুনা মপুং ফাহন্নবা হায়রক্লি।

হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শিহনখিবা অপূনবা মীগী মশীংগী অয়াম্বা শরুক্তি মহারাষ্ট্র খক্তদগী ওইরি। পনবা য়াবদি ওক্তোবর ১১ দা কোভিদকী অপূনবা কেস মশীং লাক্ষ ৭০ য়ৌখি। থা অসিগী ২৯ দা লাক্ষ ৮০ য়ৌখি। নবেম্বর ২০ দা কেস মশীং লাক্ষ ৯০ য়ৌখিবগা লোয়ননা দিসেম্বর ১৯ দা লৈবাক অসিদা কোভিদ লায়না লায়চৎনা ইনফেক্ট তৌহনবা মী মশীং ক্রোর ১ হেনখিবনি।

জে এন্দ কেদা লালহৌবা ১ সেক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখ্রে

সোপিয়ান, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী সোপিয়ানদা লৈবা রাৱালপোরা এরিয়াদা ঙসি সেক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা এনকাউন্টর অমদা লালহৌবা শিরে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

শিরবা লালহৌবা অদুদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এম ৪ রাইফল অমা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। ঙসিগী এনকাউন্টর অদু জে এন্দ কে পুলিস অমসুং সী আর পি এফ পর্সনেলশিংগী অপূনবা টিম অমনা চথখিবনি। রৱানপোরা এরিয়াদা লালহৌবশিং ওপরেট তৌদুনা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং অপূনবা খূৎপু অদুনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা থি হুন্বগী থবক চথখি। সেক্যুরিটি ফোর্সকী থবক থৌওংশিংদা লোকেলশিংনা চাওনা মতেং পাংখিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / অমাংথোং মনুংদগী মপালদা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বদা অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা লৈবা, খোঙ হান্বদা অকনবতা ওইনা হান্নগা পোমথোকপা অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খুৎনা অমাংথোং মনুংদা থিজিল্লগা য়েংবদা অমাংথোং মনুংদসু পোম্বা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং মনুংদগী মপালদা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুনা ফম্বদসু নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগা অমাংথোংদা চিকপা নাবা অমদি খোঙ হান্বদসু অমাংথোংদসু নাবা, খোঙ হান্বদা অকনবতা ওইনা হান্নগা পোমথোরকপা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা অমদি ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, চিকপা নাবা অদু ফনবা ঈশিং অশাবা ফম্বা মতমদা ঙাইহাক্তং ফরল্লগা অমুক চিক্লকপা, চিকপা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোং মনুংদা খুৎনা থিজিল্লগা য়েংবা মতমদা অমাংথোং মনুংদসু পোম্বা, অমাংথোং মপাল অকোয়বদসু মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শুনিং চৎনিংবা পোম্বা, পোথারগতা লৈনিংবা, নোংম-নোংমগী হকচাং শোকচিল্লকপা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাং নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/15 *থাগৎচরিবা :* **N. Chaoba Singh,** Soibam Leikai

দ্রোন অমা পাইশিল্লকপা থেংনখ্রে

চান্দিগর, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

ইন্দিয়া ঙমখৈগী শরুক্তা পাকিষ্টানি দ্রোন অমা পাইশিল্লকপা উবদগী বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স পর্সনেলশিংনা নোংমৈ কাপখি। মদুদগী দ্রোন অদু অমুক হন্দুনা পাইখি হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

দ্রোন অদু ঙসি পকিষ্টানগী মায়কৈদগী ইন্দো-পাক ইন্তরনেস্নেল বোর্দরদা লৈবা দিন্দা পোষ্ট ময়াদা পাইশিল্লকখিবনি। দ্রোন অদু চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা পাইশিল্লকপদগী মনাক নকপদা মথৌ তৌদুনা লৈখিবা বি এস এফশিংনা দ্রোন তম্না নোংমৈ কাপখি। মদুদগী অমুক হন্না পকিষ্টান তম্না দ্রোন অদু পাইখি হায়না পুলিস ওফিসল গুনলিট সিংহ খুরানানা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অদুগী মতাংদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দ্রোন অদুনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুক্তা করি থাদরম্বগে হায়বদু চপ চানা খঙহৌদবনা মরম ওইরগা অকনবা মওংদা থি হুন্বগী থবক চথরি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চিংননিংঙাই ওইবা পোৎশক অমত্তা অকোয়বদগী ফংবা ঙমদ্রি। পনবা য়াবদি মমাং চহীগী দিসেম্বর ১১ দা পকিষ্টানদগী পাইশিল্লকখিবা দ্রোন অমনা পঞ্জাবকী গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টতা হেন গ্রেনেদ অমা থাদরম্বগী থৌদোক লৈখ্রে।

অমুক্তং চার্জ তৌরগা কিলোমিটর ৩০০ থৌবা য়াবা সোলর পৱারনা চলাইবা কার লৌমী অমনা শাখ্রে

ওরিষা, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

ওরিষাগী মনুং চনবা ময়ুভন্সতা লৈবা লৌমী অমনা সোলর পৱার বেট্রিনা চলাইবা মখোঙ মরি পানবা অনৌবা মখলগী কার অমা পুথোকখ্রে। সুসিল অগরৱাল কৌবা লৌমী অসিনা পুথোকখিবা কার মখল অসি অমুক্তং মপুং ফানা চার্জ তৌরবদি কিলোমিটর ৩০০ থৌবা য়াই হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সুসিল অগরৱালনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ মরক্তা শুফম নোমফম খঙদবদগী ময়ুমদা ৱার্কসোপ অমা হাংদোকখি। ৱার্কসোপ অদুদা অতোপ্পগী গাড়ী শেম্না শেম্না মঙোন্দা বেট্রিনা চলাইবা গাড়ী অমা শানিংবগী ৱাখল লাকখি।



মদুগী মতুং মহাক্না কার অসি শাবা হৌগৎলকখিবনি। মপুং ফানা অমুক্তং চার্জ তৌরবদি কার অসি কিলোমিটর ৩০০ শাংনা থৌবা য়াই। কার অসিদা হাপ্লিবা বেট্রি অসি মপুং ফানা চার্জ তৌবদা পুং ৮.৩০ চঙই। চার্জ তৌবদা মতম খরা চঙলবসু বেট্রিগী মপাঙ্গলদি য়াম্না ফৈ। অসিগুম্বা বেট্রিশিং অসি য়ামদ্রবদা চহী ১০ রোমদি চৎলি হায়রি।

কার অসিদা য়াওরিবা মোটোর ৱিন্দিং, ইলেক্ট্রিকেল ফিটিং অমসুং চেসিস ৱার্ক অসি মহাক্কী ৱার্কসোপতা তৌবনি। মহাক্না কার অদু শাবা মতমদা মেকানিক অনীনা মতেং পাংখি অমদি মহাক্কী মমান্নবা অমনা ইলেক্ট্রিক ৱার্ককী মতাংদা মঙোন্দা নোলেজ কয়া পীখি।

কার অদু শাবা হৌগৎলকপদগী লোইবা ফাওবদা থা ৩ লোম চঙখি। লোকদাউন মনুংদা ময়ুমদা হাংদোকখিবা ৱার্কসোপ অদুদা গাড়ী শেম্বা লাকখিবা কয়ানা বেট্রিনা চলাইবা গাড়ী পুথোকপগী ৱারী শাবা মহাক্না তাখি। মদুগী মতুং মঙোন্দা বেট্রিনা চলাইবা গাড়ী শানবা ৱাখল্লোন চপ য়ুংনা লাকখিবগা লোয়ননা য়াদবা গাড়ীশিংদগী তোঙানবা পার্টশিং শীজিন্নরগা কার অদু শেমগৎখিবনি।

য়ুটুবতগী গাড়ী শাবগী ভিদিওশিং য়েংখি অমদি লাইরিক খরা পারবা মতুংদা মহাক্না বেট্রিনা চলাইবা গাড়ী অদু শাখিবনি। মহাক্না পুথোক্লিবা গাড়ী অসি অতোপ্পদা য়োনবা ৱাখল্লোনদা শাখিবা নত্তে। লোকদাউন মনুংদা ওইখিবা ফীভম অদুগী মতুং ইন্না থাউজী মমল তাংখৎলক্কনি হায়বা মহাক মশানা থাজখি। মরম অদুনা থাউগী মমল তাংখৎলকপা মতমদা মঙোন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্লদনবা অমদি ইনভারোনমেন্ট মোৎশিনহন্দনবা পান্দমদা গাড়ী অদু শাখিবনি হায়রি।

[illegible] / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / নুংশংগী মতিক চাবা ওজাদি ABDUL HAQUE কবিরাজনি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা পোন্নগা লৈবা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নান্থরকপা, খোঙ হান্বদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তাবা, থুপ্পা শাবা, অমাংথোং ময়াদা চেখায়বা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, নময়াং নাবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, পুক নাবা, থবাক নাবা অমদি খ্বাং নাবগী অৱাবশিং ওজা Abdul Haque Contact No. : 8794429681, 8014623756 তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অৱাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Abdul Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **L. Birachandra Singh**
Lilong Chajing

HL-P/9095/15